## পাকিস্টাননা কাপশিল্লকপদা আর্মি পোর্টর ২ শিখ্রে

**জম্মু, জনুৱারি ১০(এজেন্সি)ঃ** জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পূঞ্চ দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি) পরিংগী ফোরৱার্ড পোষ্টশিংদা ঙসি ইরাই নুমিৎতা পাকিস্টাননা মোর্টারশিং কাপশিল্লকপদা আর্মিগী পোৎ-চৈ হেনবা পোর্টর ২ শিরে অমসুং অতোপ্পা ২ অমা শেক্লে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

পাকিস্টান আর্মিনা মোর্টারশিং এল ও সি পরিংদা কাপশিল্লকখিবা মতম অদুদা মফম অদুদা পোর্টর ৪ থবক শুদুনা লৈবনি হায়না দিফেন্সকী ৱাঙাংলোই অমনা হায়খি।

অতোপ্পা পাউ অমনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ফাজিন্দুনা থম্লকখিবা পোলিটিকেল লুচিংবা অয়াম্বা হৌজিক থাদোকখ্রে অমসুং অতে লুচিংবা ২০-২৫ রোম অদুসু মথঙ চয়োল খরদা থাদোক্লগনি হায়বগী আশা তৌই হায়না ঙসি বি জে পি জেনরেল সেক্রেটরি রাম মাধবনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চহীগী আগষ্ট ৫দা সেন্টরনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা স্পিসিয়েল ষ্টেটস পীবা আর্টিকেল ৩৭০ মুত্থৎলমদাই মাঙজৌননা লমদম অসিগী পোলিটিকেল লুচিংবশিং ফাদুনা থমখিবনি।

## প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী নুমিৎ নীনিগী কোলকতা খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি



**গ্লেনমোর পার্ক, জনুৱারি ১০(এজেন্সি)ঃ** কোলকতা পোর্ট ট্রষ্ট (কে ও পি টি)কী চহী ১৫০ শুবগী থৌরমদা শরুক য়ানবা অমসুং লৈবাক্কী মফমদা হেরিটেজ বিল্ডিংশিং কখোক্লবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং থাংজ নুমিৎতগী মথঙগী নুমিৎ নোংমাইজিং ফাওবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোনুংদা লৈরগনি।

হয়েং থাংজ নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টরনা কলকটাদা নৌহৌনা শেমজিন শাজিল্লবা হেরিটেজ বিল্ডিং ৪ লৈবাক্কী মফমদা কখোক্কনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর'স ওফিসতগী থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রি।

বিল্ডিংশিং অদুদি -ওল করেন্সি বিল্ডিং, বেলভেদিয়ার হাউস, মেটকাল্ফ হাউস অমসুং ভিক্টোরিয়া মেমোরিয়েল হোলনি।

কলচর মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মেট্রো সিটিশিংদা লৈরিবা ইতিহাসিক ওইবা বিল্ডিংশিংগী অকোয়বদা কলচরেলগী ওইবা মফমশিং শেমগৎলি। অহৌবা ওইনা কোলকটা, দিল্লি, মুম্বাই, অহমেদাবাদ অমসুং বরানসি শেমগৎপগী থবক পায়খৎলি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা থাংজ অমসুং নোংমাইজিংদা কোলকটা পোর্ট ট্রষ্টকী চহী ১৫০শুবা থৌরমশিংদসু শরুক য়াগনি।

কোলকটা পোর্ট ট্রষ্টকী থবক্তগী পোথাখ্রবা অমসুং হৌজিক লৈরিবা ইমপ্লোয়ীশিংগী পেন্সিন ফন্দগী অৱাৎপা মেনখৎনবগী অরোইবা ইনষ্টোলমেন্ট ওইনা মহাক্না লুপা ক্রোর ৫০১গী চেক অমা খূৎশিন্নগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা কোলকটা পোর্ট ট্রষ্টকী খ্বাইদগী অহল ওইরবা পেন্সিনর ২- নাগীনা ভগত (১০৫) অমসুং নরেশ চন্দ্র কক্রোবোর্তি (১০০) বু ঈকাইখুম্নগনি।

নেতাজি সুভাস দ্রাই দোকতা কোচিন কোলকতা সিপ রিপিয়ার য়ুনিটকী হেন্না থাক ৱাংখৎনা শেম্লবা সিপ রিপিয়ার ফেসিলিটি অদুসু প্রাইম মিনিষ্টরনা শঙ্গাগনি।

কারগো পুথোক-পুশিন হেন্না নুংঙাইনবা কে ও পি টিগী কোলকতা দোক সিষ্টেমগী হেন্না থাক ৱাংখৎহল্লবা রেলৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর অদু কখোক্লদুনা ফুল রেক হেন্দলিং ফেসিলিটি অদু মহাক্না শঙ্গারমগনি।

কে ও পি টিগী হলদিয়া দোক কমপ্লেক্সতা বার্থ নম্বর ৩গী মেকানাইজেসন অমা অমসুং শান্নবা হৌদোক্লিবা রিভরফ্রন্ট দিভলপমেন্ট স্কিম অমা নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোক্লমগনি।

## মিসাইল এটেকশিং এটেকশিংগী পরিং অমা হৌবনি হায়না ইরান লান্মীগী কম্মান্দর অমনা ফোঙদোকখ্রে

**দুবাই, জনুৱারি ১০(এজেন্সি)ঃ** ইরানগী সেনিয়ার কম্মান্দর অমনা ইরাকতা লৈবা য়ু এস টর্গেটশিংগী মথক্তা ইরাননা চথখিবা মিসাইল এটেকশিং অদু অমেরিকাগী লান্মীশিং হাৎনবগী পান্দম থমখিবা নৎতে, অদুবু মদু ৱাসিংটনগী 'মিলিটরি মেচিন' শোকহন্নবনি অমসুং রিজন অসিগী মফম পুন্নমক্তা চখরক্কদবা এটেকশিংগী পরিং অমগী অহৌবা অদুনি হায়না ষ্টেট টেলিভিজননা হায়খ্রে।



রিভোলুসনরি গার্দস এরোস্পেস ফোর্সকী মকোক আমিরালি হাজিজাদেহনা শক্লাইরবা ইরানগী জেনরেল কাশিম সোলৈমানিবু য়ু এসনা হাৎখিবা অদুনা মিদ্দল ইষ্ট লমদমদগী য়ু এস ফোর্সশিং তাম্হোকপনা চান্নবা পাউখুম ওইগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

খুদোঙথিনিংঙাই ওইবা লান অমদগী লাপথোক্লক্লবসু য়ু এস অমসুং ইরানগী মরক্তা হৌজিকসু ৱাথোক লোয়দ্রি হায়বসি অনৌবা কিহনবশিং অসিনা উৎলি।

অনৌবা ন্যুক্লিয়ারগী য়ানরোল অমা তৌননবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী ৱাফম অদু ইরাননা খত্তোকখি অমসুং লান থোক্লিংচিৎতগী নকন অনীনা খোঙফম হন্দোক্লকফম উরবসু কম্মান্দর অমনা অহেনবা এটেকশিং চত্থগনি হায়বগী অকিবা পীরক্লি। থৌরাং তৌদুনা ইরানগী মিসাইল চা কয়া লৈরে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ুমশৈকেশা নুমিৎতা টেহরাননা মিসাইলশিং কাপখিবা অদুদা মখোয়না য়ু এসকী প্লেন অমসুং দ্রোন নেভিগেসন সিষ্টেমশিং য়াহন্দনবা সাইবর এটেকশিং শিজিন্নখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

## ইরাননা কৈদৌঙৈদা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই পায়বা য়ারোই ঃ ট্রম্প



**ৱাসিংটন, জনুৱারি ১০(এজেন্সি)ঃ** ইরাননা কৈদৌঙৈদা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই অমতা পায়বা য়ারোই হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা হায়খ্রে অমসুং য়ু এস সেঙ্কসনশিংনা টেহরানবু য়াম্না থীনা শেকহলম্লগনি হায়নসু মখা তাখি।

হৌজিক ইরান মফম মরাং খঙদবা চরাংনবা অমা ওইরে। মখোয়গী লৈবাক্কী ইকোনোমিক্স অদু য়াম্নথুনা চুমথোক্কবা মখোয়না হোৎনগদবনি। মখোয়না মন্তিক্লগদ্রা নৎত্রগা মন্তিক্লরোইদ্রা হায়বদু ঐখোয় য়েংশি হায়না হ্বাইট হাউসতা পাংথোকপা থৌরম অমদা ডোনাল্ড ট্রম্পনা হায়খি।

ইরাকতা য়ু এস লান্মীশিং থম্বা বেজশিংদা ইরাননা মিসাইল এটেকশিং চত্থরকখিবা অদুগী মখা তারকপদা লৈবাক অসিগী মথক্তা অনৌবা সেঙ্কসনশিং থমখ্রে।

ইরাননা কৈদৌঙৈদা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই অমা লৈখিবা হায়বদু ওইথোকহল্লোই। মদু মখোয়না খঙই। ঐখোয়না মখোয়দা য়াম্না কন্না খঙহনখ্রে। মতম অমগী য়ু এস প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা দোল্লর বিল্লিয়ন ১৫০ পীখিবা মতম অদুদা ওইখিবা অদুগুম্না হৌজিক ইরান ইনাক খুনবা ওইদ্রে। য়াম্না থীনা খেন্নবা লৈবাক ওইরে হায়না মহাক্না হায়খি।

মহাক্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রসিদেন্ট ওইরিবমখৈ ইরাননা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই অমত্তা পায়বা য়াহল্লোই হায়না প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা জনুৱারি ৮দা হায়খি। মখোয়না নেগোসিয়েট তৌবা পাম্রা নৎত্রগা পামদব্রা হায়বদু ঐখোয়না য়েংশিল্লি।

ইলেক্সন মতুংদা অমসুং জো বিদেন নৎত্রগা অসিগুম্বা কনাগুম্বা অশোনবা দেমোক্রেট অমগা নেগোসিয়েট তৌননবা ইলেক্সন মতুং ফাওবা মখোয়না ঙাইবা পাম্লম্বসু য়াই হায়না দোনাল্ড ট্রম্পনা হায়খি।

## সেক্সন ১৪৪ হন্না হন্না শিজিন্নবা শক্তি লান্না শিজিন্নবনি ঃ সুপ্রিম কোর্ট



**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১০(এজেন্সি)ঃ** মীয়াম চাওনা পুনবশিং অথিংবা থম্বা অমসুং প্রোটেষ্টশিং লাক্লিন্নবা গভর্ণমেন্টনা শিজিন্নরিবা লোইলম মতমগী লেমহৌখাক আইন অমা ওইরিবা সিআর পি সিগী সেক্সন ১৪৪ হন্না হন্না শিজিন্নবা হায়বসি শক্তি লান্না শিজিন্নবা অমনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি সেন্টরদা হায়খ্রে।

কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকেল ৩৭০ চয়েৎনবা ৱাথোক ওইনা লৌথোকখিবা মতুংদগী সেন্টরনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা পাক শন্না অথিংবশিং থমজিনখিবা অদু দেমোক্রেটিক হক অমগী অৱাবা কোকহন্নবা নৎত্রগা মত ফোঙদোকপগী অয়াবা অদু থুগাইবনি হায়না ফংলবা শিংথানিঙাই ওইবা ৱায়েল অমদা লৈবাককী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েনশঙ অসিনা জে এন্দ কে এদমিনিষ্ট্রেসনদা হৌজিক থমজিল্লিবা অথিংবা ওর্দরস পুন্নমক অদু রিভ্যু তৌনবা য়াথং পীখি।

ফোঙদোকফম থোকপা মত নৎত্রগা দেমোক্রেটিক ওইবা হক অমগী অৱাবা কোকহন্নবা হোৎনরকপা থিংনবগী খূৎলাই অমা ওইনা সেক্সন ১৪৪ শিজিন্নরোইদবনি। কনষ্টিট্যুসননা তোঙান তোঙানবা মখলগী মীৎয়েংশিং ফোঙদোকপবু ঙাকথোক্লি। হিংশা চত্থনবা নৎত্রগা মীয়মগী পূন্সিদা অকিবা পীরে হায়বা উৎপা মতিক চাবা মচাক লৈত্রবদি সেক্সন ১৪৪ চল্লাইনবগী য়ুমফম লৈতে। সেক্সন ১৪৪গী মখাদা হঞ্জিন-হঞ্জিনবা ওর্দরশিং শক্তি লান্না শিজিন্নবা অমনি হায়না ৱায়েলশঙ অদুনা মখা তাখি।

জষ্টিস এন ভি রামানা, আর সুভাস রেদ্দি অমসুং বি আর গবায়না শাবা মেম্বর ৩গী বেঞ্চ অমনা ইন্টরনেটপু ফ্রীদম ওফ স্পিস এন্দ এক্সপ্রেসনগী শরুক অমনি হায়রদুনা ইন্টরনেট সার্ভিসশিং মতম কক্তুনা থিংজিনখিবা অদুগী মতাংদা গভর্ণমেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

সেক্সন ১৪৪ হঞ্জিন-হঞ্জিননা শিজিন্নবগীদমক গভর্ণমেন্টকী মথক্তা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা সুপ্রিম কোর্টনা- ওর্দর অদু ওপিনিয়নগী খেন্নবা নমথনবা খূৎলাই অমা ওইনা শিজিন্নরোইদবনি হায়খি অমসুং সেক্সন ১৪৪ অমসুং অতে অথিংবশিংগী শিজিন্নফম পুন্নমক অদুগী ওর্দরস ফোঙনবা ওথোরিটিজদা দিরেক্টিব পীখি।

ইমর্জেন্সিগী ফিভম অমদা অমসুং আইনগী মতুং ইন্না মথৌ তৌহল্লিবা মীওই অমদা অপনবা অথিংবা, চয়েৎনবা নৎত্রগা অশোকপা পীরকপা থিংনবা হিরমশিং অসিখক্তগীদমক সেক্সন ১৪৪গী প্রোভিজনশিং পানশিনবা য়াই। সেক্সন ১৪৪গী মখাদা পাস তৌবা ওর্দরসনা মীয়ামগী ফন্দমেন্টেল রাইটসতা হকথেংনবা ফলশিং পী। করিগুম্বা ইচম-চম্বা নৎত্রগা অরানবা মওং অমদা শক্তি অসি শিজিন্নবনা শাথিনা আইননা য়াদবা ওইহল্লক্কনি। শক্তি অসি দায়ত্ব মশক খঙনা শিজিন্নগদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি।

সেক্সন ১৪৪ ওর্দর তৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমা হায়বসি প্রিন্সিপলস ওফ প্রোপোসনেলিটিদা য়ুমফম ওইরগা হকশিং অমসুং অথিংবশিং অনীগী খল চানহন্নবগী থৌদাং লৈ। থৌদাং অদু য়েংলগা খ্বাইদগী হেন্না মীয়ামগী হকতা শোক্রোইদবা খোঙথাং অদু লৌখৎকদবনি হায়না কোর্ট অসিনা মখা তাখি।

সেন্টর অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা হন্দক থা খরসিদা চয়েৎনরবা সিটিজেনসিপ এক্টকী মতাংদা হৌরকপা ইরাং নমথনবা সেক্সন ১৪৪গী মখাদা য়ান্না তোয়না প্রোহিবিটরি ওর্দরশিং শিজিন্নখি। মসি আর্টিকেল ৩৭০ মুত্থখিবগী মায়োক্তা প্রোটেষ্টশিং থিংনবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদসু শিজিন্নখি।

আর্টিকেল ৩৭০গী প্রোভিজনশিং লৌথোকখিবা অদুগী মতুংদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা থমজিনখিবা অথিংবশিং অদুবু সেন্টরনা অচুম্বা খোঙথাংনি হায়খি অমসুং মদুগী অথিংবা খোঙথাংশিং লৌখৎখিবা অদুগী মরমনা সুপ্নগী পূন্সি অমা ফাওবা মাঙখিদে নৎত্রগা সুপ্নগী নোংমৈ মরু অমা ফাওবা কাপখিদে হায়না সেন্টরনা হায়খি।

## নাইজর আর্মি বেজ এটেকতা টেরোরিষ্ট ৬৩, অতৈ ২৫ শিখ্রে ঃ রিপোর্ট



**নিয়ামি, জনুৱারি ১০(এজেন্সি)ঃ** মমাঙদসু জিহাদিষ্ট এটেক অমদা মীওই কয়ামরুম শিখ্রবা মফম অমদা নাইজরগী মিলিটরি বেজ অমদা মতিক চানা খূৎলাই পায়রবা মীওইশিংনা ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা থোমজিল্লক্তুনা মীওই ২৫ হাৎখ্রে অমসুং মখা তাবা অকনবা খূৎ থোক্লুবদা টেরোরিষ্ট ৬৩ শিখ্রে হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

দিফেন্সকী ৱাঙাংলোই কর্নেল শৌলেমানে গাজোবিনা টেলিভিজনদা হায়খি, নোংচুপ থংবা টিল্লাবেরিগী চিনেগোদরদা গাড়ীশিং অমসুং মোটোরবাইকশিংদা লাকখিবা মতিক চানা খূৎলাই পায়রবা মীওইশিং অদুনা মালিগা তাইনবা ইরাং লৈরবা ঙমখৈ মনাক্তা নুংথিল পুং ১ তাবদা এটেক তৌরকখিবনি।

নাইজর এয়ার ফোর্স অমসুং মসিগী খোঙবুশিংগী অপুনবা নোংথক্কী শৌগৎপগা লোয়ননা পীখিবা পাউখুম অদুনা এটেক অদু ঐখোয়গী ঙমখৈগী মপান্দা খোঙফম হন্দোকহনখিবা ঙমখিবনি। মখোয়না খোঙবুশিং হায়রিবসি অয়াম্বা মতমদা য়ু এসকী দ্রোনশিং নৎত্রগা ফ্রান্সকী ফাইটরপ্লেন নৎত্রগা দ্রোনশিংবুনি।

মরুপ-মপাংগী নাকনদা মীওই ২৫ শিরে অমসুং ৬ শোক্লে, য়েক্লবগী নাকনদা টেরোরিটে ৬৩ শিরে হায়না মহাক্না অপুনবা মশীং পীখি।

ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা আর্টিল্লরি খূৎলাইশিংগা লোয়ননা মালিগা তাইনবা ঙমখৈ মনাক্কী আর্মি কেম্প অমদা জিহাদিষ্ট চা কয়ানা থোমজিল্লক্তুনা দিসেম্বর ১দা নাইজর লান্মী ৭১ হাৎখিবা বরকিনা ফাসোগসু ঙমখৈ থংনবা টিল্লাবেরি হায়রিবা রিজন অসিমক্তদা ঙরাংগী এটেক অসি চত্থরকখিবনি।

২০১২তা অৱাং থংবা মালিদা ইস্লামিষ্টশিংগী খূৎলাই পায়বা লালহৌ হৌরকখিবা মতমদগী পাক চাওরবা সাহেল রিজন, মরুওইনা বরকিনা ফাসো অমসুং নাইজরদা পাক শন্না টেরর শন্দোক্লককখি। জিহাদিষ্টকী লালহৌ হৌখিবা মতুংদগী মীওই লিশিং কয়া শিখ্রে অমসুং মীওই মল্লিয়ন ১ হেন্না মযুম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রে।

জিহাদিষ্টশং অসিবু মায়োক্লরিবনা চাদ, বরকিনা ফাসো, মালি, মৌরিতানিয়া অমসুং নাইজরগী থাক নেন্নিবা আর্মিশিং, মসিগা লোয়ননা সাহেলদা পার্সোন্নেল ৪৫০০গী ফ্রেঞ্চ ফোর্স অমা অমসুং লান্মী ১৩,০০০কী য়ু এন ফোর্স ইন মালি, এম আই এন য়ু এস এম এনি।

অফ্রিকাগী সাহেল রিজন হায়রিবসি সহরা দেজার্টকী খাদা অফ্রিকা কন্টিনেন্টকী শাংলবা মপাক মদু ফাওবা শন্দোকই।

## হিমাচল প্রদেশকী লম্বী ৯০০ উননা ফুমজিনখ্রে, কিলোংদদি সেলসিয়স দিগ্রী মাইনস ১৭.৬ য়ৌনা ঈংখ্রে



**সিমলা, জনুৱারি ১০(এজেন্সি)ঃ** হিমাচল প্রদেশকী কোনুং সিমলা য়াওনা ষ্টেট অসিগী অয়াম্বা শরুক ঙসি ইরাই নুমিৎতা নুমিৎ মশক উখি, অদুবু ষ্টেট অসিগী অতৈ মফম কয়াদা মখা তানা সব-জিরো টেম্পেরেচরশিংদা লৈরি হায়না মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট অসিগী লম্বী ৯০০ হেন্না উনা কুপশিন্দুনা লৈরি অমসুং লম্বী চখোক-চৎশিন পুম্বা থিংখ্রে হায়না ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (এস দি এম এ)গী ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

কুখ্রি অমসুং মসোব্রা রোমদা লম কোয়বশিং লাক্তনবা ঙরাং শগোলশেলগী নুমিদাংৱাইরমদা সিমলা পুলিসনা লম কোয়বশিংদা খঙহল্লদুনা ফেসবুক পোষ্ট অমা থাগৎখি। হৌজিক লম্বীশিং অদু উননা কুপশিন্দুনা লৈরি।

ট্রাইবেল লহাউল-স্পিটি দিষ্ট্রিক্টকী এদমিনিষ্ট্রেটিব সেন্টর ওইরিবা কিলোংদা খ্বাইদগী নেম্বা টেম্পেরেচর মাইনস ১৭.৬ দিগ্রী সেলসিয়সকী রেকোর্দ য়ৌরে হায়না সিমলা মেট সেন্টর দাইরেক্টর মনমোহন সিংহনা হায়খি।

কুল্লু দিষ্ট্রিক্টকী মনালিগী মিনিমম টেম্পেরেচর সেলসিয়স দিগ্রী মাইনস ৭.৬, কিন্নাওরগী কলপা অমসুং সিমলানা মাইনস ১.৩ দিগ্রী ওইদুনা মথঙদা লৈরি। পলামপুরদা মাইনস ১, সিওবাগতা মাইনস ২.৫, সুন্দরনগরদা মাইনস ২, সোলান অমসুং ভুনতারদা মাইনস ১.৬ অমসুং কুফ্রিদা মাইনস ২.৬ য়ৌখি।

লমদম অসিগী ময়াই ওইরপ্পা অমসুং অৱাংবা চিংশিংদা জনুৱারি ১১দগী ১৫ ফাওবা উন তাগনি অমসুং নোং তাগনি হায়না মেট দিপার্টমেন্টনা মাঙজৌননা হায়রি।

## সিরিয়াদা ইরাকি মিলিসিয়ামেনদা শকখঙদবা প্লেনশিংগী এটেকতা ৮ শিখ্রে

**বৈরুট, জনুৱারি ১০(এজেন্সি)ঃ** য়ু এস অমসুং ইরানগগী মরক্তা কন্না উংখৎনরিঙৈ চৈরক্তা চত্থরকপা এটেক অমদা ইরাকতা থংনবা ঙমখৈ মনাক্তা ইরাননা ঙাক্লৌ পীবা ইরাকি মিলিসামেন ৮ হাৎতুনা শকখঙদবা প্লেনশিংনা সিরিয়া মনাক্কী টার্গেটশিংদা এটেক তৌরকখ্রে হায়না সিরিয়ান এক্টিভিষ্টশিং অমসুং ইরাকি ওফিসিয়েল ২না ফোঙদোকখ্রে।

প্লেনশিং অদুনা ইরাকতা থংনবা ঙমখৈ মনাক্কী বৌকামল এরিয়াদা লৈরিবা ইরাননা শৌগৎপা মিলিসিয়াশিং অদুগী পোজিসনশিংদা টর্গেট তৌখি হায়না লন্দনদা লৈবা সিরিয়ান ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়খি।

থৌদোক মফমদা লৈরিবা এক্টিভিষ্টশিংগী নেটৱার্ক অমগী খূৎথাংদা সিরিয়াগী লানগী ৱারোলশিং খোমজিল্লিবা ওর্গনাইজেসন অসিনা শকখঙদবা প্লেনশিং অদুনা এটেক তৌরকখিবা টর্গেটশিংদু মিলিসিয়ামেনগী খূৎশু-খূৎলাই থম্ফমশিং অমসুং মখোয়গী গাড়ীশিংনি হায়খি।

ইরাকি সেক্যুরিটি ওফিসিয়েল অমা অমসুং ইরাননা ঙাক্লৌ পীবা পোপুলার মোবিলাইজেসন ফোর্সেস হায়না খঙনবা মলিসিয়াশিং অদুদগী অতোপ্পা ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকপদা লানগী প্লেনশিং অদুনা ঙমখৈ অদুগী সিরিয়া থংবা নাকন্দা মিসাইলশিং পুবা গাড়ী ২ টার্গেট তৌখি হায়খি।

এটেক অদু খ্বাইদগী হেন্না পাংথোক্লম্বা য়াবসি ইজরেলগী লানগী প্লেনশিংননি হায়না মখোয়না হায়খি অদুবু ইভিদেন্সতি পিখিদে। ইজরেল মিলিটরিনসু খুদক্তা মত ফোঙদোক্লককখিদে। মসিগী মতাংদা পেন্টাগোননসু পাউখুম পীরকখিদে।

**সনা-সুদোকু-৩৫২ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 5 | 2 | 8 | 4 | 3 | 7 | 9 | 6 |
| 9 | 4 | 6 | 7 | 2 | 1 | 5 | 3 | 8 |
| 3 | 7 | 8 | 5 | 9 | 6 | 2 | 4 | 1 |
| 2 | 8 | 4 | 9 | 3 | 5 | 6 | 1 | 7 |
| 6 | 9 | 5 | 4 | 1 | 7 | 3 | 8 | 2 |
| 7 | 3 | 1 | 2 | 6 | 8 | 4 | 5 | 9 |
| 5 | 6 | 9 | 1 | 7 | 4 | 8 | 2 | 3 |
| 4 | 1 | 7 | 3 | 8 | 2 | 9 | 6 | 5 |
| 8 | 2 | 3 | 6 | 5 | 9 | 1 | 7 | 4 |

## রেপ কেসদা অরুনাচল প্রদেশ বি জে পি এম এল এগী মথক্তা এস আই টিনা থিজিলহন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা ওর্দর তৌখ্রে



**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১০(এজেন্সি)ঃ** অরুনাচল প্রদেশকী কোনুং ইটানগরদা লৈবা হোটেল অমদা ষ্টেট অসিগী বি জে পি এম এল এ গোরুক পোরদুংনা ওক্টোবর ১২গী নুমিদাংদা ডোক্টর অমা রেপ তৌই হায়বদুগীদমক মহাক্কী মথক্তা স্পিসিয়েল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) অমনা থিজিলহন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা ঙরাং দিরেক্টিব পিখ্রে অমসুং ডোক্টর নুপী অদুনা মহাক্কী পূন্সিদা কিহল্লক্লে হায়খিবনা মঙোন্দসু প্রোটেক্সন পীনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টত্র পাউতাক পীখ্রে।

নুপী অদুনা হায়খি, চীফ মিনিষ্টরগা চান্নবা মরুপ অমা ওইবা অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরন রিজিজুগী মরী-মতা অমা ওইবা মরন্না লোমেকর অদুগী শক্তি অদুগী মরমদগী পুলিসনা কেস অদু নিথিজিনা থিজিল্লু য়াখিদে।

শীরিবা মরান অসিগী হকচিনবা অদুগী য়েংদুনা জষ্টিস অরুন মিশ্র, জষ্টিস ইন্দিরা বেনর্জি অমসুং জষ্টিস ভি রামাসুব্রমনিয়ননা শাবা বেঞ্চ অমনা কেস অদুগী থিজিনবা অদু মনিংতম্বা এজেন্সি অমদা খূৎশিন্নগদবনি য়াখি।

ষ্টেট পুলিসনা চত্থিবা থিজিনবা অদুদা লৈখিবা তোঙান তোঙানবা মখলগী অহোবা, অশোয়বা কয়া খুদেঙ্গী থিন্দুনা পেটিসনর অদুনা মহাক্না রেজিষ্টর তৌবা এফ আই আর অদু ফাওবা পুলিসনা ককথৎখি অমসুং মীয়াম্না লাওনরক্লবা মতম খক্তদা ক্রিমিনেল কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি হায়খি।

এম এল এ অদুগী মথক্তা পুলিসনা থবক অমত্তা লৌখৎখিদে। মহাক মশাগী ষ্টেটমেন্ট লৌবা ফাওবা এফ আই আর অদু থারকখ্রবা মতুং, এক্যুজ অদুনা এন্টিসিপেটরি বেল ফংখ্রবা চয়োল ৩গী মতুংদা মাগী জবান লৌখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মঙোন্দা চত্থিবা রেপকী মরান অদুগী মতাংদা মানা শেংখিবা ফিজোল অদু মতম চানা পুলিসনা লৌখৎপা লাকখিদে। মদু ইভিদেন্স মাঙহন্নবগী ফত্তবা ৱাখল অমগা লোয়ননা এফ আই আর থাঙ্গৎলবা মতুং নুমিৎ ৬নিগী মতুংদা লৌখি। পুলিসনা এক্যুজ অদুবু কষ্টোদিয়েল ইন্টরোগেসন চত্থনবা দিমান্দ তৌখিদে। মহাক্কী এন্টিসিপেটরি বেল অদুদা ওবজেক্সনসু তৌখিদে। মহাক্কী মশাদা প্রাইভেট পার্ট শোক্লিবশিং অদু উৎপা ফোটোগ্রাফশিং অদুসু মখোয়না সেসন্স কোর্ট অসিদা পুথোকখিদে হায়না এদভোকেট দিপক প্রকাশকী খূৎথাংদা মাগী পেটিসন থাঙ্গৎলকখিবী নুপী অদুনা হায়খি।

পুলিস ওফিসার কয়ামরুম্না মহাক অমসুং মহক্কী মপুরোইবদা কেস অসি নিংথিজনা শন্তাইননবা শাফু পীরকখি অমসুং করিগুম্বা মদু তৌদ্রবদি ফৎতবা ফল মায়োক্লগনি হায়না কিহনখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

রেপ কেসকী এক্যুজ ওইরিবা বি জে পি এম এল এ গোরুক পোরদুংনা বেল ফংনবা পুলিসনা হেক ওইথোকপা য়াবা খুদোঙচাবা তাঞ্জা অমসুং মতেং পুন্নমক পীখি।

এফ আই আর থাঙ্গৎখিবা নুমিৎতগী বেল পীখিবা অদু ফাওবা মহাকপু ফানবা সুপ্নগী করিগুম্বা খোঙথাং অমা ফাওবা পুলিসনা লৌখৎখিদে হায়না নুপী ডোক্টর অসিনা হায়খি।

মহাক্কী ৱাকৎ অসি শৌগৎলদুনা সোলিসিটর জেনরেল তুসার মেহতানা মীচং-মীখাই নাইদবা থিজিনবা অমা মথৌ তাই হায়খি, অদুবু কেস অসি হায় কোর্টতা রিফর তৌবনা ফগনি হায়বা ৱাফমসু থমখি।

হিরম অসি স্পিসিয়েল ইনভেষ্টিগেসন টিম অমা হাপ্পবা হায় কোর্টতা রিফর তৌখিসি, হায় কোর্টনা স্পিসিয়েল ইনভেষ্টিগেসন টিম অদু কনা-কনানা শাগদবনো হায়বদুগী ৱারেপ লৌজরসনু হায়না সোলিসিটর জেনরেলনা হায়খি। ৱাফম অসিদা য়ারদুনা মেম্বর ৩না শাবা সুপ্রিম কোর্ট বেঞ্চ অদুনা কেস অসি এস আই টি অমদা শিন্নবা দিরেক্টিব পীখি অমসুং থিজিন্নবগী টিম অদু শাগদবা মীওইশিং অদু ঋনবগী থবক হায় কোর্টতা শিন্নখি।

কেস অসিগী থিজিনবগী থবক অদু লেপ্পনা মোনিটর তৌনবা হায় কোর্টতা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-353**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 9 | | | 5 | | 1 | | 3 |
| 2 | | 7 | 1 | | | | 4 | |
| | 5 | | | 3 | 7 | 8 | | |
| 9 | 1 | | 5 | | | | 3 | |
| | 7 | 2 | | | 8 | | | 5 |
| | 8 | 3 | | 7 | | | | 2 |
| | | 5 | 8 | | 3 | 2 | | |
| 1 | | | 7 | | | 3 | | |
| 3 | | | | | 2 | | 5 | |

## GAS TODAY

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 16/11/19
Valid : 13/11/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.30 a.m.

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 13/12/19
Valid : 06/12/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**GBD Indane**
Booking : 09/11/19
Valid : 02/11/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Manipur Gas**
Booking : 26/12/19
Valid : 25/12/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Misao Gas**
Booking : 13/12/19
Valid : 04/12/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**K & K Indane**
Booking : 18/11/19
Valid : 12/11/19
Sl. No. : 150
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Imphal LPG Service**
Booking : 27/11/19
Valid : 08/11/19
Sl. No. : 10106
Stk : 306 / 19kg- 132
Time : From 07.30 a.m.

**Hrangchal Gas**
Booking : 08/12/19
Valid : 03/12/19
Stk. : 306
First Come First Serve

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 07/11/19
Valid : 06/11/19
Sl. No. : 7081 to 7480
Stk : 270/ 19kg -24
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 21/11/19
Valid : 15/11/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**M. M. Gas Service**
Booking : 11/11/19
Valid : 06/11/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.
First Come First Serve